# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 07-10-2024)
## অকাশবানি ইম্ফালগী
## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ
## (তাং ০৭-১০-২০২৪, নিংথৌকাবা)

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-আইন কাইনা চংশিল্লকপা মীতোপশিংদগী রাজ্য অসিবু কন্নবগীদমক সরকারনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-য়ুমথংনবা রাজ্যশিংদা আইননা য়াদবা মীতোপশিং চংশিল্লকপা থিংনবা থবক কয়া লৌখৎপগুমা মনিপুরদসু অসিগুম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎলি। মসিগীদমক সরকারনা অকনবা থবক পায়খৎলি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মাও গেট অমসুং জিরিবামনচিংবা মরু ওইবা গেটশিংদা আইন কাইনা চংশিল্লকপা মীতোপশিং চেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মীয়ামসু মীৎ না শিংনা লৈবগা লোয়নননা আইন কাইনা চংশিল্লকপা মীতোপশিংগী মরমদা চিংনবা লৈরবদি সরকারগী মরি লৈনবা ওথোরিতিশিংদা পাউ পীবিয়ু, ঐখোয় পুন্না খূৎশমদুনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা হোৎনমিন্নসি অমসুং মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাকমিন্নসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

**ট্রেনিং (এল)ঃ** চীফ মিনিষ্টর ইকোনোমিক রিভাইভেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা হৈরোক্তা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থোরম অদুদা হোর্টিকলচর, এগ্রিকলচর, হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফস দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি। তোঙান তোঙানবা এন.জি.ওশিংগী মীহুৎশিং অমসুং এক্সপার্টশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**বোক্সিং (এল)ঃ** গুৱাহাতিদা পাঙথোকখিবা আর.ঈ.সি.ওপন তেলেন্ট হন্ট

বোক্সিং প্রোগ্রাম-২দা কিলোগ্রাম ৫০ দগী ৫২ ফাওবগী মনুংদা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবী মারিয়া পামেবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং কেক্রুপাৎতো লৈবা জেমে বেপ্টিস চর্চতা পাঙথোকখ্রে। জেমে নাগা কাউন্সিল মণিপুর না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শান্নরোই অদ্দা খুদোলপোৎশিং পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**অসাম ঃ** অসাম সরকারনা চহী নৌরিবী নুপীমচাশিং মহৈ মশিং তম্বা মরক্তা লেপ্পা অমসুং ইং ২০২৬ ফাওবদা চহী শুদ্রিবা অঙাংশিংনা য়ূম পানবা থিংনবগী পান্দমদা নিজ্ট মোইনা স্কিম হৌদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি হেমন্ত বিস্বা শর্ম্মনা হায়-অঙাংশিংবু চহী নৌনা লুহোংবা থিংনবা অখন্নবা খোঙথাং অমা ওইনা স্কিম অসি হৌদোকপনি। থৌশিল অসিগী মখাদা স্কুল অমসুং কোলেজ তম্লিবী নুপীমচাশিংদা থাগী ওইনা লূপা লিশিং অমমম অমদি পোষ্ট গ্রেজ্যএত তম্লিবী নুপী মহৈরোইশিংগী ওইনা থা অমদা লূপা লিশিং ২,৫০০-২,৫০০ পীরগনি। হায়রিবা শেনফমশিং অসি মহৈরোইশিং অদুদা থা খুদিংগী তাং ১১দা পীগনি।

**কোবিন ঃ** হান্নগী রাষ্ট্রপতি অমসুং ৱান নেসন-ৱান ইলেক্সনগী হাই লেভেল কম্মিতিবু লূচিংলিবা রামাথ কোবিননা হায়রি-মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোকপনা চাওনা কান্নবা পীদুনা বিক্সিত ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি। নিউ দেল্লিদা ৩০শুবা লাল বহাদুর সাষ্ট্রি মেমোরিয়েল লেকচরদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী কোবিননা হায়-মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোকপনা লৈবাক অসিগী ওইনা তুংকোইনা কান্নবা কয়া পীগনি মসিনা মীখলদা চংবা চাদিংগী চাং হন্থহন্দুনা ইকোনোমিক গ্রোথ হেনগৎহনবদা মতেং ওইগনি। খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাউখৎহনবদসু চাওনা মতেং ওইগনি।

**মেঘালয় ঃ** মেঘালয়গী গারো হিলস রিজন্দা ঈশিং ঈচাও অমসুং চীং নিংখায়বগী থৌদোকশিংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৫ লৈখিদ্রে। অৱাবা নংলবা মফমশিংদা মেঘালয় ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথরি। সাউথ গারো হিলসকী গস্বাপারাগী মনুং চন্না লৈবা অতিসিয়া সোংমোং ভিলেজতা চীং নিংখায়বদগী মীওই ৭ ফুমজনখিবগী মনুংদা মীওই ৬ কী অশিবা হকচাংশিং ফংলে। লৈখিদ্রবাশিং অদুগী মনুংদা ওজা অমসুং মহৈরোইশিং য়াওরি। থৌদোক থোকফমদা রাজ্যগী শিক্ষা মন্ত্রি রকম এ সংমা অমসুং মফম অদুগী এম.এল.এ লাক্কুনা য়েংশিনখ্রে।

**দ্রগ ঃ** নার্কোতিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো অমসুং গুজরাত এ.তি.এসকী অপুনবা কাংবু অমনা মধ্য প্রদেশকী ভোপালদগী লূপা কোতি ১,৮০০ হেনবগী মমল ওইগদবা দ্রগশিং ফাগৎলে। থৌদোক অসিগা মরি লৈননা মীওই ২ ফাগৎলে। ভোপাল মনাক্তা লৈবা ভাগ্রোরা ভিলেজতা লোন্না লৈবা ফেক্তরি অমদগী দ্রগশিং অদু ফাগৎখিবনি। গুজরাতকী হোমগী রাজ্য মন্ত্রি হর্স সিংভিনা ৱাফম অসি চুম্লে হায়না সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলদুনা, গুজরাত এ.তি.এস অমসুং নার্কোতিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোনা ময়ায় কাবা দ্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মসিনা লো এনফোর্সসিশিং এজেন্সীশিংনা দ্রগ লল্লোনবশিংবু ফাগৎনবা চোকথবা লৈতানা থবক তৌরি হায়বদু তাক্লি হায়নসু শ্রী সিংভিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

**মহারাষ্ট্র ঃ** মহারাষ্ট্রগী লাতুরদা লৈবা পুর্নমাল লাহোতি গভর্ণমেন্ট তেকিকেল কোলেজকী হোস্তেলদা হু চেনবা চিঞ্জাক চারুবদগী মহৈরোই ৬০ হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কৎনখ্রে। থৌদোক থোকফমদগী পুলিসনা হু চেনবা চানা থকবা পোৎলমশিং অদু লৌখৎতুানা লেবোরোটোরিদা টেষ্ট তৌনবা থাখ্রে। এন.পি.ডা.সিভাজি কলগে অমসুং দি.সি.ভার্সা থাকুরনা হোস্পিতালদা চত্তুনা অৱাবা নংলবা মহৈরোইশিং অদুগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

**জেট ঃ** ইন্দিয়ান ইয়র ফোর্সকী ৯২ শুবা কুমওন থৌরম ঙরাংদগী চেন্নাইদা হৌখ্রে। ফজরবা এয়রসো কয়া উত্তুনা য়েংবা লাকপা মীয়ামগী পুকিং চিংশিনখি। চহী ২১গী মতুংদা মারিনাগী নোংথক্তা পাঙথোকখিবা এয়রসো অদু মীওই লাখ ১৫ না হকথেংননা য়েংদুনা লিমকা বুক ওফ রেকোর্দসতা চংবা ঙল্লে। এয়রসো অদু সোসিএল মেদিয়াগী তোঙান তোঙানবা প্লেতফোর্মশিংদা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোকখি। এয়রসো অদুদা তোঙান তোঙানবা এয়র বেজশিংদগী লাকপা এয়রক্রাফ ৭২না শরুক য়াখি।

**ক্রিকেতঃ** গ্বালিয়রদা লৈবা ন্যু মাধপ রাও সিন্দিয়া ক্রিকেত ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ভারত অমসুং বংলাদেশকী অহানবা টি-২০ ইন্টরনেসনল মেটচতা ভারতনা বংলাদেশপু ৱিকেত ৭ তা মাইথিবা পীখ্রে। অর্সদিপ সিংহ না প্লেয়র ওফ দ মেটচ তাখি।

অমরোমদা, দুবাই ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নুপীগী টি-২০ ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা ভারতনা পাকিষ্টানবু ৱিকেত ৬ তা মাইথিবা পীখি।

**জয়শঙ্কর ঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- ভারত, ওষ্টেলিয়া, জপান অমসুং আমেরিকাগী ক্বাদ্রিলেটরেল সেক্যুরিতি দাইলোগ (ক্বাদ)কী ইন্নোভেতিভ ফ্রেমৱার্ক অসি ইন্দো-পেসিফিক লমদমগী মরুওইবা থৌওং অমনি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা অহুমসুবা কৌতিলিয়া ইকোনোমিক কনফরেন্সতা মন্ত্রিনা হায়- ক্বাদ অসি য়ান্নচেদা য়ুম্ফম ওইবা ওর্গনাইজেসন অমা নত্তে। মসিদি ইন্দো-পেসিফিক লমদমগী য়ামা মরুওইবা মেকানিজম অমনি। মহাকা হায়- মালেমগী ৱাফম কয়াদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা লৈবাকশিংগা ভারতকা অফবা মরী থমরিবা অসি য়ামা মরুওই। মসিনা মালেমগী রাজনীতিদা দাইত্ব লৈবা লমদম অমা ওইনা উহল্লি। আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা লম অমা ওইরক্লি। মহাকা হৌজিক এ.আইগী

লমদা মাংজিল থাবা তান্নরিবা অসিবু কোল্ড ৱারগী মতমগী ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়গী লমজেল অদুগসু চাংদমখি।

কৌতিলিয়া ইকোনোমিক কনফরেন্স অসিনা লৈবাক অসিগী অমদি মালেমগী ওইবা একাদমিসিয়ানশিং অমসুং পোলিসি মেকর ১৫০ রোমদা ভারতনা অমদি মালেম অসিনা শেল থুমগী লমদা মায়োকরিবা মরুওইবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্নবগী তাঞ্জা অমা পীরি।

**দিআরদিও ঃ** দিফেন্স রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও)না রাজস্থানগী পোখ্রান ফিল্ড ফয়ারিং রেঞ্জদা অনকপা মফমদা কাপবা ফোরথ জেনেরেসনগী এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমগী ফ্লাইট টেষ্ট অহুম মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- রিছার্স সেন্তর কিমারতনা দি.আর.দি.ওগী লেবোরেটরি অমসুং দিভলপমেন্ট কম প্রদক্সন পার্টনরসকা পুন্না শাবা এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অদুনা তোঙান তোঙানবা পান্দমফমশিংদা মায় পাকা পালহনবা ঙম্মী হায়বদু উৎলি। লৈবাক অসিগী সার্ভিস অহুম্মকা প্রোজেক্ট অদু হেক হৌবদগী য়াওদুনা লাকখি অমসুং চাংয়েং অদু পাঙথোকপদসু শরুক য়াখি।

চাংয়েং অদু মায় পাকা পাঙথোকপগীদমক ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা দি.আর.দি.ও, আর্মদ ফোর্সশিং অমসুং মদু শাবদা য়াওখিবা উদ্যোগপু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।